## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
Booking Upt20/05/22
Valid from10/05/2022
**Stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/ Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 14/07/2022
**BOOKING UPTO: 16/07/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU.**
**B/UPTO-30-6-2022**
V/frm-11-6-2022
**Stk-306.**
Only home delevery call -7629966437. 9am to 2pm.

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 19/07/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 15-07-22.**
Valid 08-07-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 14/06/22
Valid from 10/06/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date.**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM..

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 12/07/2022**
Valid from 02/07/2022

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

# কন্সলটেটিভ কম প্রি-লোক অদালট মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস) : মথং থাগী ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল লোক অদালটকী মাঙওইননা ঙসি সী জে এম, চান্দেলগী কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা পুখৎকদবা কেসশিংগী রিভিয়ু তৌনবা কন্সলটেটিভ কম প্রি লোক অদালট মীটিং অমা দি এল এস এ, চান্দেলগী সেক্রেটরি কিমনৈগা কিপগেননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীটিং অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিদা প্রি লিটিগেসন, পেন্দিং অমসুং কোর্ট কেসশিং য়ারিবমখৈ য়াম্না পুখৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংবু ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী মীফম অসিদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ষ্টেকহোল্ডরশিং, পেনেল এদভোকেটশিং, পি এল ভি অমসুং দি এল এস এ, চান্দেলগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

## পোলিটিকেলগী খূত্থাংদা ইন্সর্জেন্সগী...

*লামায় ১গী মখা...*

কুমজা ১৯৮০গী সেপ্টেম্বরদগী মণিপুর পূম্বদা অফস্পা চৎনহল্লকখিবনি অদুবু দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস অসিদি মফম খুদিংদগী লৌথোরক্লবদি অফস্পা অসি ময়া য়াওদবা কৈগা পাঙ্খক ওইগদৌরিবনি হায়খি। লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা ইন্সর্জেন্সিগী ইস্যু লোইশিনবীয়ু। করিগুম্বা সেন্টরনা ঙম্বা ওইরগদি লৈঙাক্লা সেন্টরদা তকশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২দসু কম্মিসননা মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা দিষ্টর্বদ এরিয়া ষ্টেটস লৌথোকউ হায়খিবা লৈরে। অফস্পা অসি মণিপুরদগী রিপিল তৌগদবনি হায়রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌগদবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা তক্লফম থোকই হায়খি।

লালহৌবগী ইস্যু অসি অফস্পানা নমথবা ঙল্লোই হায়বা অচৌবা সিক্যুরিটিগী মথক থোংবা ওফিসলশিংদা নত্তনা সুপ্রিম কোর্টনা ফাওবা হায়দুনা লালহৌবগী ইস্যুদি পোলিটিকেলগী খূত্থাংদা য়ান্নবা পুরক্কদবনি হায়বা লৈরবনি হায়রদুনা টেররিজমগী থৌওংনা লৈবাক মীয়ামগী রাইটতা মাঙহল্লবদি প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২ (দি)দা রিভিয়ু তৌদুনা এম ঐচ আর সীনা রেক্কমেন্দ তৌবা ঙম্মী হায়বা প্রোভিজন লৈ হায়খি। মরম অদুনা হ্যুমেন রাইটস মাঙহল্লক্লবদি কম্মিসননা মতম পূম্বদা লেপকনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।



**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 81.069005 |
| US Dollar | 79.905723 |
| British Pound | 96.467063 |
| Australian Dollar | 55.525880 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.834963 |
| Japanese Yen | 0.584798 |
| Malaysian Ringgit | 17.920505 |
| Singapore Dollar | 57.571914 |
| South Korean Won | 0.060792 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.308193 |
| Thai Baht | 2.171331 |

## শেল খায়রম্বনি হায়বা ২ শেলগা কোন্নরা ফারে...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখিদ্রবা শ্যামগিন কৌই। হেংলেপকী গৌথাং ভিলেজ দগীনি হায়রি।

মহাক লালহৌলূপ অসিগী থাংখোমাং হাওকিপকী মখাদা থবক তৌবনি। মহাক্লা চূড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা ভিলেজ চীফশিংদগী নমদুনা খায়রম্বনি হায়বা লুপা লিশীং ২০সু রিকোভর তৌরে হায়রি।

মহাক্লা হায়দোরকপদগী রেনকাই রোদতগী থাংখোমাং হাওকিপ (৩৯) অপোকপা হেমজাঙম হাওকিপ কৌবা গৌথাং ভিলেজদগী মীওই অমসু মহাক্লা খায়গৎলম্বা লুপা লিশীং ১৫গা কোন্নরা ফাগৎলে হায়রি।

মখোয় অনীনা হায়দোরকপগী মতুংইন্না শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবনি হায়বা মুনমোম ভিলেজদগী লেটমিন্থাং হাওকিপ (৩৭) অপোকপা লুনখোপাও হাওকিপ কৌবা মীওই অমসু ময়ূমদগী ফারে হায়বগা লোয়ননা মখোয় অহুম্মক লালহৌলূপ অসিগী চীফ কম্মান্দ থাংখোঙম এলিয়জ দেভিদসনগী মখাদা থবক তৌবনি হায়বসু খঙলে হায়রি।

মখোয়গী মথক্তা সুও মোটুদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থি-হুম্বগী থবক চত্থবা হৌরে হায়রি।

# এমপ্লোয়ী অমগী প্রমোসনগী ৱাথোক্তা ...

*লামায় ১গী মখা...* সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্ট' গী থবক থৌরমশিং লুক অফটর তৌবদা অয়াবা পীরকখি। অয়াবা অসিসু বোর্দ অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিনা মতম মতমগী মতুংইন্না থোকপা ওর্দরশিংদা পীখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা মহাক সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্ট অমগী চপ চাবা থবক থৌরমশিং পুরকপগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্টেল পোল্যুসনগী মতাংদসু তোঙান তোঙানবা ট্রেনিং কোর্স কয়াদসু শরুক য়ারুরে হায়রি।

ফীভম অসিদগী এমপ্লোয়ী অসিগী মায়কৈদগী মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন অমসুং মেম্বর সেক্রেটরিদা চহী ২০ হেন্না সর্ভিস তৌরক্লবসু প্রমোসনগী এভেন্যু লৈতবা পোষ্টকী কেদরনি হায়দুনা প্রমোসন ফংলক্তবদগী মহাক্লা মায়োক্লরকখিবা খুদোংচাদবশিং ময়েক শেংনা পল্লদুনা অইবা চেরোলশিং পীশিন্দুনা লাকখি। অদুগা সেম্পল কলেক্টর হায়রিবা পোষ্ট অসিদগী প্রমোসনগী এভেন্যু লৈহনবীনবা সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী রিক্রুটমেন্ট রুলশিং এমেন্দ তৌবীনবসু হায়জখি।

চৈরক্তুদা ওক্টোবর ৬, ২০০৫দা বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরিনা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট) দা সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী রিক্রুটমেন্ট রুলশিং এমেন্দমেন্ট তৌবীবগা লোয়ননা ড্রাফ্ট রিক্রুটমেন্ট রুলস অমা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা পীবিনবা চেরোল অমা ইখি হায়রি।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না দেপ্যুটি সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট) না ওক্টোবর ২৮, ২০০৬তা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) দা ইখৎলক্লিবা চেরোল অসিগা মরী লৈননা কম্মেন্ট অমসুং ভিয়ুশিং পীরক্লবা অইবা চেরোল অমা পীখিবসু লৈখি হায়রি।

মরক্তুদা বোর্দ অসিগী সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী অহাঙবা ফম্বু দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্তুনা মেনশিন্নবা থৌরাং তৌরকপদগী এমপ্লোয়ী অসিনা বোর্দ অসিগী চ্যেরমেনদা মহাক্কী মতাংদা খন্নবীবগা লোয়ননা সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী লৈরক্লিবা রিক্রুটমেন্ট রুল শেমদোকপীদুনা মহাকপু প্রমোসন পীবিনবা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখি হায়রি।

অদুবু মহাক্কী চেরোল অদু খন্নবগী মহুত্তা বোর্দ অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিনা নবেম্বর ২৭, ২০০৬তা সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী অহাঙবা ফম্বু কন্ট্রেক্ট্যুএল বেসিসতা মেনশিন্নবা এদভর্টিজমেন্ট থোক্লকখিবনি হায়রি।

বোর্দকী থৌওং অসিদগী এমপ্লোয়ী অসিনা ঙসিদগীনা চহী ১৬ রোমগী মমাঙ মণিপুরগী তোঙানবা হায় কোর্ট লৈজদ্রিঙৈ গৌহাটি হায় কোর্টকী ইম্ফাল বেঞ্চতা কুমজা ২০০৬তা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১১৬৩ ফাইল তৌদুনা মহাক্লা কুমজা ১৯৯৪দগী সেম্পল কলেক্টর ওইনা লৈরকখিবদগীনা সিনিয়র সাইন্টিফিক এসিষ্টেন্টকী অহাঙবা পোষ্ট মেনশিন্নবগী এদভর্টিজমেন্ট থোকপা ফাওবগী ৱারীশিং কোর্টতা ফোঙদোকখি হায়রি।

মতম অদুদা মশাগী চহী ৪২ খক্তা শুখিবা এমপ্লোয়ী অসিনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন অদুগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মতম অদুগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট), মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন, কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং বোর্দ অসিগী মেম্বর সেক্রেটরিনি হায়রি।

এমপ্লোয়ী অসিনা পিটিস্নর ওইদুনা কুমজা ২০০৬তা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন অদু মণিপুরগী তোঙানবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লৈজরক্লবা চহী ১২গী মতুং এপ্রিল ১৯, ২০১৮দা অরোইবা কেস অসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখি। অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা মহাক্কী রিট পিটিসন অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা এপ্রিল ২৪, ২০১৮দা লাউথোকখি হায়রি।

ঙসিদগীনা চহী ৪ হেনবগী মমাঙদা মতম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস ওইরমখিবা খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা এপ্রিল ২৪, ২০১৮দা পীখিবা জজমেন্ট অদুদা পিটিস্নর ওইরিবা এমপ্লোয়ী তৌরাংবম নেত্রজিৎপু মহাক্লা মথংশিংনা চহী ১০ অমসুং ২০ হেন্না সর্ভিস তৌরক্লবনিনা থংনবা পোষ্ট অনীদা প্রমোসন পীননবা খঙহনখি।

কোর্টকী ওর্দর অসি মণিপুর লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংদা চৎনরকপগী মতুংইন্না পীবনি হায়নসু খঙহনবগা লোয়ননা মহাকপু প্রমোসন পীবদা হেন্না চঙগদবা মথৌ তাবা ফন্দশিং অদুনা গ্রান্ট ইন এইদ নৎত্রগা লৈঙাক্লা পীবা মখল অমা হেক্তগী মওংদা পীননবসু খঙহনখি হায়রি।

চহী ৪ হেনবগী মমাঙদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগা মরী লৈননা পিটিস্নর এমপ্লোয়ী অসিগী কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমারগী মায়কৈদগী মে ৫, ২০১৮দা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট), মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন অমসুং মেম্বর সেক্রেটরিদা লিগেল নোটিস অমা পীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীনবা খঙহনখি হায়রি।

অদুবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ময়েক শেংনা দিরেক্সন পীরক্তুনা পিটিস্নর অসিবু প্রমোসন অনী পীননবা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতুংইন্না পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোকপগী মহুত্তা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট) অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেলগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা রিট আপীল নম্বর ৬২ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখি। অদুগা রিট আপীল অসি মতম চানা ফাইল তৌহৌদবগী অয়াবা পীবীনবা মিসেলিনস কেস (রিট আপীল) নম্বর ৬০ ওফ ২০১৯সু ফাইল তৌরক্তুনা আপীল ফাইল তৌরকপগী থেংথখিবা মরমশিং কোর্টতা ফোঙদোরকখি হায়রি।

অদুবু চৎলিবা চহীসিগী মার্চ ৭, ২০২২দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা ওর্দর অমদা রিট আপীল অমসুং মসিবু থেংথনা ফাইল তৌরকখিবগী মরমশিং পীবা মিসেলিনস কেস য়াওনা প্রেয়র অনীমক দিসমিস তৌরকখি।

কোর্টনা রিট আপীল য়াওনা প্রেয়র অনীমক দিসমিস তৌরকপদগী পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা মার্চ ১১, ২০২২দা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট) য়াওনা বোর্দ অসিগী মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং চ্যেরমেনদা মখোয়না ফাইল তৌরকপা রিট আপীল য়াওনা প্রেয়র অনীমকসু কোর্টনা দিসমিস তৌরক্লবনিনা মমাঙথক্তা কোর্ট অসিনা এপ্রিল ২৪, ২০১৮দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা পিটিস্নরবু প্রমোসন অনী পীগদবনি হায়রকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা লিগেল নোটিস অমসু পীখি হায়রি।

মসি ফাওবদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট) অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পিটিস্নরবু হায় কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না প্রমোসন অনী পীয়ু হায়রক্লবসু পীবগী মহুত্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিট আপীল য়াওনা প্রেয়র অনী দিসমিস তৌরকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন নম্বর ১১৬১২-১১৬১৩ ওফ ২০২২ ফাইল তৌদুনা হায় কোর্টকী জজমেন্টশিং চেলেঞ্জ তৌখি।

অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস কে এম জোসেফ অমসুং জষ্টিস রিসিকেস রোইগী বেঞ্চনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা সেম্পল কলেক্টর ওইনা চহী ২০ হেন্না থবক তৌহল্লক্লবা তৌরাংবম নেত্রজিৎ অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা স্পেসল লীভ পিটিসন অদু থা অসিগী ১৫ (জুলাই ১৫, ২০২২) দা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরক্লিবা এস এল পি অদু দিসমিস তৌরক্তুনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিং অসি হায় কোর্টতা খুদি থিবদা নত্তনা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা অমুক্কসু খুদি থিরক্তুনা হঞ্জিন হঞ্জিন এমপ্লোয়ী অসিদা মায়থীরকপনি হায়রি।

## শিন্মীশিংগী নাইট শেল্টর লন্নাই ...

*লামায় ১গী মখা...* শারিবা মফম অসি হৌখিবা কুমজা ২০১০ গী মার্চ থাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দগী টি ঐচ মুহিন্দ্রো অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মুনাল কৌবা মীওই অমদগী লুপা ৬১,১৪,৪৬৪ দা লৈখিবনি। অদুগা লমগী পাক চাওবনা একর ০.১১ নি। লম অসি লৈরবা মতুং চহী অদুমক্কী জুন ৯ দা শঙ্গাদুনা নাইট শেল্টর অসি মথৌ তৌবা হৌখি। কুমজা ২০১৫ গী অঙনবা থা ফাওবা নাইট শেল্টর অসি ফজনা মথৌ তৌরকখি। অদুবু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৭ তা দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নরগী খুত্থাংদা মুহিন্দ্রোনা মহাক্কী লমগী পীফম থোকপা শেনফম শুনা পীরক্ত্রি। য়ানখিবা শেনফমগী মতুংইন্না লুপা লাক্ষ ৬০ দি ফংলে অদুবু লুপা ১,১৪,৪৬৪ দি ফংদ্রি অমসুং মহাক্লা য়োনখিবা লমগী শরুক অসি শুপ্নত্তগী ০.০৯ একরনি হায়না ক্লেইম তৌরকপদগী চয়েৎনবশিং অসি থোক্তুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা লো দিপার্টমেন্টকা তানরবা মতুং লিগেল সুইট তৌনবা শেম শাবা লোইরে, অথুবা মতমদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়খি।

### *তোংজৈ মরীলগী চাকা বন্দ হন্দোক্লে ...*

*লামায় ১গী মখা...* হায়না রোংমৈ নাগা য়ুঠ ওর্গনাইজেসন, মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল রিপুইলান পানমৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি মহাক্লা প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লম্বী অসি হয়েংদগী শেম্বা হৌরগনি হায়বগী থাজবা ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা পীরকপদগী খোঙজং হন্দোকপনি। অদুবু মথং থাগী ২০ ফাওবগী মনুংদা অমুক উন্নদুনা মখা তানা ৱারী শানখিগনি হায়বগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম অমদি দ্রাইভরস য়ুনিয়ননা শৌগৎলকপবুসু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

### *ত্রক দ্রাইভর মৈনা চিংদুনা শিরে...*

*লামায় ১গী মখা...* মহাক জি আর ইনফ্রা প্রোজেক্টস লিমিটেদকী ত্রক থৌবনি হায়রি। লাইবক থীবা থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মৈনা চিংলবা মহাক ককচীংগী জিবন হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলকখি অদুবু ডাক্টরশিংনা মহাক শিরগা পুরক্লে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

## এল দি এগী নোটিফিকেসন জুলাই ...

*লামায় ১গী মখা...* লোক্লে-পুল্লে, কোমপ্রেক, থাংজিং অমদি হৈকক খক্তা হেক্লবসু হিংনবগী পান্বে ওইরম্বদু ঙসিদি ইথাই বরাজ থিংজিনবদগী ঙা কয়াসু মাঙহল্লে, লোক্তাক পাৎসু মোৎশিলনহল্লকপগা লোয়ননা অকোয়বগী শক্তমশিংসু থুগাইরে হায়খি।

লমলক্কী শা-উচেক অমদি য়ূমদা লোয়বা শা-ষণ কয়াসু মাঙহনবীরে। মহৌশা লাইরেম্বীগী পোত্থোক চাথোক কয়াসু মাঙহল্লে হায়খি। লৌ উবা য়াবা মফম কয়াসু ঈশিং থুমজিন্দুনা মাঙহল্লে। ইথাই বরাজ থিংজিনবদগী লোক্তাক থেনগৎহল্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা পৱার লৈবা কাঙবুনা লম খোপচিনবদদি করিসু হায়দে হায়রদুনা লোক্তাক্কা শাগোন্নদুনা হিংজরক্লবা ঙামীশিংনা করিগুম্বা অমত্তং তৌজরুবদদি লোক্তাক প্রোজেক্ট এক্ট ২০০৬না য়াদে হায়দুনা অৱাবা পীরে হায়খি। মরম অসিনা ঙামীশিংগী হক মৎপা য়ারোই। লোক্তাক পাৎ হায়বসি ঙামীশিংগী ইমানি। ইমাবু নুংশিজরিবা ঙামীশিংনা লোক্তাক মাঙনবা তৌগদবা নত্তে। লোক্তাক মাঙহনবা মীওই নৎত্রগা লোয়শঙ থেংনগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা লোক্তাক ফ্লোটিং হোম ষ্টে এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নিংথৌজম রঞ্জননা চেরোল অসি থোক্ত্রিঙৈদা এল দি এগা মমাঙ তাগী ২৬তা ৱারী শানখি। মদুদা এসোসিএসন শেম্মু, মখা তানা তৌবা য়াবা থবকশিং তৌনবা হায়দুনা এসোসিএসন শেল্লগা আর আর থাগৎপনি। মদুগী মতুংদা মোইরাংগী এম এল এগসু ৱারী শানখি। সঙাই ফেষ্টিবেলগী দ্রোয়িং পীবিয়ু হায়দুনা লৈনরিঙৈদা থা অসিগী ১৮দা নোটিস থোকচিল্লকপনি হায়খি।

থৌওং অসি ইখঙ খঙহৌদনা থোকচিল্লকপনি হায়রদুনা লোক্তাক মোৎহনগে অমসুং মাঙহনগে হায়দুনা হোম ষ্টে হাংবা নত্তে। সঙাই ফেষ্টিবেলগীদমক লাক্কদবা টুরিষ্টশিংগীদমক শেমজগদবশিং অদু পীবিবগী মহুত্তা ওন্ন-তৈননা লাক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এল টি টিগী চ্যেরমেন অমসুং আর্মি চীফ য়াওনা মীওই ১২ ...

*লামায় ১গী মখা...* চঙজরকখ্রবা এল টি টিগী মীওইশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মখোঙনা থোংনা মহৌশাগী ঈচেলদা অমুক হল্লক্লিবা কাদরশিং অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু থাজরদুনা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈরিবা লৈঙাকপু থাজবদগীনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্তুনা নেসনল মেন ষ্ট্রিমদা য়াওরক্লবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্লোইদবনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়না শাথীবা ক্রাইমশিংদা চেন্নরম্বা নৎত্রগদি মখোয়গী মথক্তা কেস লৌখৎলোইদবনি হায়খিবা ৱাফমসু নৌহৌননা নীংশিংখি। অদুগা পেরা মিলিটরি ফোর্স, আর্মি অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংদসু হোম মিনিষ্টরনা হায়খিবা ৱাফমশিং অসি ঙাক্লা চৎপগা লোয়ননা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী কাদরশিং হেন্না থোরক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহল্লকপদা পূক্লিং থৌগৎকদবনি হায়খি।

লোয়ননা মহৌশাগী ঈচেলদা হঞ্জিল্লক্লবা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিংগী মতাংদা চয়েৎনবা ৱাফম অমত্তা লৈহল্লোইদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ু জি গ্রুপশিংগী কাদরশিংনা য়ূমদা হল্লক্লবগী থোঙনাও অমা হাংদুনা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরি হায়খি।

অচৌবা ফম পুবা মিলিটেন্টশিংনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপবু অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা অতৈ খরসু হৌজিক লম্বী অসিদা লাক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়খি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী ৩/৪গী মনুংদা হোম কমিংগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী ওইবা খূত্থাংদা ৱারী শানবনা মিলিটেন্সিগী ইস্যু মণিপুরদা লোইশিনবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরবু ঈং-তম্পা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা পোলিটিকেলগী ওইবা ফিরেপ অমসুং থবকশিং লৈ হায়রদুনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পিদা মতম চানা মহৌশাগী ঈচেলদা হঞ্জিল্লক্লবা য়ু জিশিংদা মখোয়গী রিহেবিলিটেসনগী কান্নবশিং য়েন্থোক্লবা খঙহনখি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী সরেন্দর তৌরবা কাদরশিংগীদমক অখন্ননা লৌখৎলকপা থৌশিল অসিনা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা অচুম্বা পাউজেল পীবা ঙল্লগনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক্তি মণিপুরগী পোলিটিকেলগী ফীভম অহোংবা লাক্লে হায়রদুনা য়ু জি গ্রুপ পূম্নমক্লা অমুক হন্না মহৌশাগী পুন্সিদা হনবীরক্তুনা লৈবাক অসিবু শেমগৎতুনা অমত্তা ওইহনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসনগী স্কিম নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইনা কুমজা ২০১৮দা রিভাইস তৌখিবগী মতুংইন্না রিহেবিলিটেসনগী কান্নবশিং চঙজরক্লবা কাদরশিংদা ফংহনবগা লোয়ননা কাদর অমমমদা ৱান টাইম ফাইনান্সিএল গ্রান্ট ওইনা লুপা লাখ ৪/৪গী শেনফম পীগনি। হায়রিবা শেনফম অসি মখোয় মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা চহী ৩গী ওইনা ফিক্স দিপোজিৎ তৌগনি অদুগা মীওই অমমমদা থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা লিশীং ৬/৬ পীবগা লোয়ননা খুৎলায় য়াওনা চঙজরকপশিংগী ইন্সেন্টিভসু পীগনি হায়খি।

চঙজরক্লবা কাদরশিংনা চহী অহুমগী ওইনা রিহেবিলিটেসন কেম্পতা লৈবগা লোয়ননা মখোয়দা তোঙান তোঙানবা ভোকেস্নেল ট্রেনিংশিং পীগনি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, পুলিস অমসুং সিভিল অমদি মিলিটরি ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

# ফিশাবীশিংদা লং হোঙনা ফংহন্নবা ইমা কৈথেলগী মথক্তা কা ...

*লামায় ১গী মখা...* এম এল লোকেশ্বরনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি এন্দ কো-ওপরেসন দিপার্টমেন্টগী মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা সী এমগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মখাদা ফি শানবা কোনশিং ফংহল্লি। লোয়ননা মখোয়বু মতিক চাবা ট্রেনিং পীনবসু থৌরাং তৌরি। কুমজা ২০১৭তগী পায়খৎলকখিবা থবকশিংসু কেবিনেটতা পুথোক্লগা খন্নরগনি হায়খি।

দিমান্দ অসি খন্নরকপদা শরুক য়াবগা লোয়ননা দিমান্দ নম্বর ২২ (পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং) গী মতাংদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকখিবা মোসন ফোর দিসএপ্রুভেল ওফ পোলিসি কটকা মরী লৈননা স্মোল, মীদিয়ম এন্দ লার্জ স্কেল ইন্দষ্ট্রিগী প্রোপর পোলিসি তৌদবা অমদি এন দি পিগী মখাদা চত্থরিবা ৱাটর সপ্লাইগী কদাই ফাওবা থবক পায়খৎপা লোয়রবগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং পুখৎলকখি।

ওপোজিসন মেম্বরগী ৱাফমশিংগী পাউখুম ওইনা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হাওসতা ফোঙদোকখিবদা জল জিবন মিসনগী পাক শন্না পায়খৎলিবা থবকশিং অসিগী মনুংদা লোকল কন্ট্রেক্টরশিংনা তৌরিবা থবকশিং অসি কম্পনি অমনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিন্দুনা থবক চত্থরি। লোয়ননা চত্থরিবা থবকশিং অসিদা লোকেল মীয়ামসু থবক শুবা ফংহন্নবা হোৎনগনি। অনৌবা পাইপ ফুম্বগী থবকসু অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। অরিবা পাইপশিংসু লৌথোক্লগা অনৌবা পাইপ ফুম্নবা হোৎনবদা এ সী/এ সীশিংগী এম এল এশিংনসু মতেং পাংবিয়ু। হৌজিক ফাওবদা জল জিবন মিসনগী মখাদা চাওরাক্লা চাদা ৭২.৪ কোভরেজ তৌবা ঙল্লে। খুঙ্গং ৪১০দসু মিসন অসিগী মনুংচন্না মপুং ফানা থবক তৌখ্রে। মিসন অসিগী মখাদা থবক ফজনা তৌবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

জল জিবন মিসনগী থবক্কী শেল ফংদবা য়াওরি হায়রিবসি অয়াম্বদি পীথোকখ্রে। শুপ্নগী পর্সনটেজ খরা খক্তা ৱাৎপগী ৱানি। অদুবু অৱাৎপা শেনফমশিং অদুসু অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি। উখ্রুলগী এম এল এ রাম মুইভানসু দিমান্দ অসিগী খন্নরকপদা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, উখ্রুলদসু জল জিবন মিসনগী মখাদা ঈশিং ফংহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। অদুবু চীংগী লম ওইবনিনা ঈশিং লৌফম লৈতবগী অৱাবা অমদি মায়োক্লরি। হৌজিক উখ্রুলদা ঐখোয়না ঈশিং লৌনবা হোৎনরিবা মফম অসি কিলোমিটর ৪০ মুক হেন্না লাপ্পী। মরম অদুনা মসিদা অচৌবা শেনফম লুপা ক্রোর লিশিং হেন্না চঙদবা মরম্না অখন্নবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা ঈশিং ফংনবা শোয়দনা হোৎনগনি। চীংদা ঈশিং মরাং কায়না ফংনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা উ য়ান্থৎপগী থবক অসি তোক্লসি হায়না আপিল তৌখি।

দিমান্দ অসিদা ককচিংগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরসু শরুক য়ারদুনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম মিনিষ্টরনা পীখিবগা লোয়ননা ককচিংগীসু ৱাটর সপ্লাইগী থবক পায়খৎলি অদুবু লমগী চয়েৎনবা খরা লৈরিবা অসিদা এম এল এনসু মতেং পাংবিরবদি অথুবদা মায়পাক্লা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়খিবগা লোয়ননা ৱাটর ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌনবা থৌরাংসু তৌগনি হায়খি।

দিমান্দ নম্বর ১২ (ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাওজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট) গী মতাংদা খন্নরকপদা কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকখিবা মোসন ফোর দিসএপ্রুভেল ওফ পোলিসি কটকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা মাহুদ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দ হায়খি, কোভিদ লাকখিবা অমদি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ ইলেক্সনসু লাককিবা মরম্না লোকেল বোদি ইলেক্সন পাঙথোকপা ঙমখিদবনি। অদুবু চহী অসিগী লাক্লিবা সেপ্টেম্বর অমদি ওক্টোবর ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ইম্ফালগী তুরেলশিং অসি চাদা ৯০ ফেল ওইরে হায়বা য়াই। লোয়ননা ইম্ফালগী দ্রেনেজ সিষ্টম অসিসু ফেল ওইরে। মরম অদুনা অনৌবা মওং অমদা শেমগৎনবা হোৎনমিন্নসি। ইম্ফালবু স্মার্ট সিটি অমা ওইহন্নবগী বেসিক ফাউন্দেসনগী থবক অয়াম্বা লোইরবনি হায়খি।

দিমান্দ অসিগী খন্নরকপদা কৈশামথোং এ সীগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ সাপম নিশিকান্তসু শরুক য়ারদুনা ৱাইশেন মরিনগী ফীভম অমদি আই এম সীগী লৈরিবা ফীভম অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই। লোয়ননা আই এম সীগী থৌমীশিংনা অমোৎ অকায় চাং নাইনা লৌথোকপা লাক্ত্রিবা অসিসু চাং নাইনা লৌখৎপা লাকহন্নবা মাহুদ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিনখি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape



IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES
Cabin Crew
Ground STAFF
Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience
1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
3 mths at IT Call Centre as a Trainer
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7705-24June to 21 Aug (alt.)